**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-02-2026)**

**লুইঙাইনি (এল)ঃ** নাগাশিংগী মরু মরাং হুনবগী কুম্মৈ-লুই ঙাইনি ঙসিদগী হৌরে। কুম্মৈ অসি হৌদোকপা ওইনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট- এন.জি. লোরহোনা ফেষ্টিবেল ফ্লেগ পাইহনখি।

তাঙ্খুল নাগালোংনা য়ুম্বু ওহদুনা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা উখ্রুল হেদক্কাটরস গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরমদা হয়েং নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা অথোইবা অতিথি ওইগনি অদুগা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোসি দিখোনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইগনি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-জিলা অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী য়েংলগা কুম্মৈ অসিদা ধর্ম্মগী ওইবা থৌরমশিংতমক পাঙথোক্কনি।

লুই ঙাইনি কুম্মৈনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা অমদি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মায়াম, মরুওইনা নাগা ফুরুপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-মরু মরাং হুনবগী কুম্মৈ অসিনা নাগা কাংলুপনা মহৌশা, নাৎ অমদি চৎনবীবু লুনা খঞ্জবা অদু উৎলি। মহৌশা লাইরেম্বীগী থৌজালবু থাগৎপা অমসুং চহি চুপ্পা অসিমা শান্তি, চাউখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা ওইহনবীনবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজবা ওইনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপনি। কুম্মৈ অসিনা নুংশি চান্নবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনবুসু হেন্না চেৎশিলহনবগা লোয়ননা মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃত্তিবুসু উৎলি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-লুই-ঙাইনি কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্তুনা চাউখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু। মহাকা হায়-নাগা ফুরুপকী ইনাক খুল্লবা নাৎ অমসুং সংস্কৃতি অদু কুম্মৈ অসিনা

হেন্না ময়েক শেংহল্লগনি। কুম্মৈ অসিনা অমত্তা ওইবা, অপুনবনা পাঙ্গলনি অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী পাউজেল অদু পীবা ওইরসনু।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুং অসি মালেমগী থাক্তা শগোল কাংজৈ মশান্না শান্নবা য়াবগী চপ চাবা ফিভমদা শেমগৎনবা য়েংশিল্লগনি।

ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি অনিসুবা ডাঃ কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৬ লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-শগোল কাংজৈগী হৌরকফম ওইরিবা লমদম অসিগী হৌজিক লৈরিবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুং অসি মালেমগী থাক্তা চপ চানা শান্নবা য়াবগী ফিভম ওইদ্রি। অখণ্ড অহৈশিং অমদি মরী লৈনবশিংগা তান্নদুনা কাংজৈবুং অসি শেমগৎনবা মহাকা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**ভিজিট (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বানগী মফম কয়াদা শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরিবা অদু য়েংশিনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল, শিংজমৈ সাপম লৈকাই, খুরাই সলান থোং অমদি খুরাই লমলোং থোংনচিংবা মফমশিংদা চৎতুনা শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরিবা অদু য়েংশিনখি। ইম্ফাল-পাংগৈ লম্বী শেমজিনবগী থবক চত্থরিবা অদু শ্রী খেমচান্দনা য়েংশিনখি। মহাকা মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা থবকশিং অদু মতম চানা লোয়শিন্নবসু খঙহনখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঈশিং ঈচাও অমদি মহৌশানা থোকহনবা অমাং-অতাগী থৌদোকশিংদগী মীয়ামনা খুদোংচাদবা মায়োকরিবশিং কোকহন্নবা হায়বসি সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা রাজ্যগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-(ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জর অরুন কুমার সিনহা, ইনভাইরোনমেন্ট

এন্দ ক্লাইমেট বিভাগকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমার সিংহ অমদি অতৈ মরী লৈনবা ওফিসিএল কয়াসু লোয়নখি।

**পিএম (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামদা লুপা কোতি লিশিং ৫,৪৫০ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া উরেপ উয়ুং তমখ্রে অমদি শঙ্গাখ্রে।

শ্রী মোদিনা গুৱাহাতি অমসুং নোর্থ গুৱাহাতি শমহন্দুনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা লুপা কোতি লিশিং অহুম চংনা শাবা কুমার ভাস্কর বরমা সেটু শঙ্গাখি। মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা লচিত ঘাটতা চৎতুনা আই.আই.এম. গুৱাহাতিগী মতম খরগী ওইবা কেম্পস অমসুং কামরূপ জিলাগী অমিনগাউদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইবা নেসনেল দাটা সেন্টর ভরচুয়েল ওইনা শঙ্গাখি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সহর মরিগী পি.এম. ই-বস সেৱা স্কিমগী মখাদা পীবা ইলেক্ট্রিক্ট বস ২২৫ সু ভেদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা লমথাখি। বসশিং অদুগী মনুংদা-গুৱাহাতিগী ১০০, নাগপুর অমসুং ভাপনাগরগী ৫০-৫০ অমসুং চান্দিগরগী বস ২৫ য়াওরি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা দিব্রুগর জিলাগী নেসনেল হায়ৱে পরিংদা শেমগৎপা মোরান বাই পাস ইমর্জেন্সি লেন্দিং ফেসিলিতিসু শঙ্গাখি অমসুং ফাইটর ত্রান্সপোর্ট ইয়ারক্রাফট অমদি হেলিকোপ্তরশিংগী এরিয়েল দিসপ্লে অমসু য়েংখি। ইমজের্ন্সি লেন্দিং ফেসিলিতি অদু লুপা কোতি ১০০ চংনা শেমগৎপনি।

নোংমগী খোঙচৎতা অসামদা লাকখিবা শ্রী মোদিনা গুৱাহাতিদা বুথ বিজয় সংকল্প সভা অমদসু ৱা ঙাংখি। শ্রী মোদিনা হায়-অসাম য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদম অসি ভারতকী অস্তলক্সমিনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারনা অৱাং নোংপোক লমদমবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মখোয়গী সাসন মতমদা লমদম অসিবু থৌশাবীদে অমসুং চাউখৎনবা হোৎনবীখিদে হায়নসু মহাকা কংগ্রেসপু মরাল শিখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা

লুপা কোতি লাখ মঙা মখায় হেন্না থাদখি অমসুং লমদম অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদসু অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা নীংথিনা শেমগৎলে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার অসিগী মতম খক্তদা অসাম অসি ভারতকী মরুওইবা গ্রোথ ইঞ্জিন অমা ওইরে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী সরকারনা অৰাং নোংপোক লমদমগী নহারোলশিংদা থবক ফংহন্নবগীদমক লন্থী থোং অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবক কন্না পায়খৎলি। শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী ওইনা টেক্স রিভোলুসনগী মখাদা অসামগীদমক রেকোর্ড ওইবা চাংদা লুপা কোতি লিশিং ৪৯,৭২৫ হাপ্তুনা থমলে অমসুং রাজ্য অদুদা রিভর টুরিজম ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপুং ফানা চাউখৎলগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**কেবিনেটঃ** লৈবাক অসিগী লন্থী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা লুপা কোতি লিশিং ৪৮ হেন্না চংগদবা মরুওইবা রেল অমসুং হায়ৰে প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা অয়াবা পীখ্রে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী জিলা ১২ দা পায়খৎকদবা মল্টি ত্রেক্কিং প্রোজেক্ট অহুম কেন্দ্রগী কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফিয়ার্সনা অয়াবা পীখ্রে।

প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎকদবা রাজ্যশিং অদুদি-দিল্লি, হরিয়ানা, মহারাস্ত্রা অমসুং করনাতকনি। মসিনা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী হৌজিক লৈরিবা নেটৱার্ক অসি কিলোমিটর ৩৮৯ লোমসু হেনগৎহল্লগনি। ২০৩০-৩১ ফাওবদা লোয়শিনগদবা প্রোজেক্টশিং অসিগী চংগদবা শেনফমনা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৫০৯ লোমনি। মসিগী মনুংদা কসারা-মনমারগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা লাইন, দিল্লি-অম্বালাগী অহুমশুবা মরিশুবা লাইন অমদি বালারি-হোসাপেটকী অহুমশুবা মরিশুবা লাইন য়াওরি। প্রোজেক্টশিং অসি শেমগৎপদা মীওই লাখ ২৬৫ রোমদা হকথেংননা থবক ফংহনগনি।

কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফিয়ার্সনা নেসনেল হায়ৱে ফিফতিনগী অসামগী গোপুরদগী নুমলিগর য়ৌবা লেন্দ মরিগী এক্সেস কন্ট্রোল

গ্রীন ফিল্ড কন্নেক্তিভিতি শেমগৎপসু অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মনুংদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মখাদা শেমগদবা কিলোমিটর ১৯ মিনিট ৯৯ শাংবা রোড কম রেল তর্নেল য়াওরি। প্রোজেক্ট অসি পুন্না লুপা কোতি লিশিং ১৮,৬৬২ চংনা পায়খৎকদবনি।

**অনাপুরনাঃ** কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অনাপুরনা দেবীনা হায়রি-থবক শুফম খুদিংমক্তা নুপীশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অমদি মখোয়দা থবক শুবগী চপ চাবা খুদোংচাবা ফংহন্নবা সরকারনা থবক পায়খৎলি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি থবক শুফমশিংদা নুপীশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী মতাংদা পাঙথোকপা জাতিগী ওইবা মীফমদা মন্ত্রিনা হায়-থবক শুফমশিংদা মখোয়না খুদোংচাদবা কয়া ৱাকৎপদা সি-বোক্স পোরটেলনা হেন্না লায়থোকহল্লে। মহাকা হায়-থবক শুফম কয়া পোরটেল অসিদা রেজিস্তার তৌরে। ভারতকী ভিক্সিত ভারতকী খোঙচৎতা সরকারগী মাংজিল থাবা মীৎয়েংদি, থবক শুফমশিংদা নুপীশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা হায়বসিনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

মহাকা হায়-কেন্দ্রগী ২০২৬ কী বজেটতা নুপীশিংদা শক্তি পীবদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মহাকা উজৱালা য়োজনা, মুদ্রা য়োজনা অমদি অতৈ স্কিম কয়া য়াওনা নুপীগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা সরকারগী স্কিম কয়াবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি। মীফম অদুদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি-সাবিত্রি ঠাকুর অমদি অতৈ শকাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অনাপুরনা দেবীনা লুচিংদুনা নুপীশিংবু থবক শুফমদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী ৱাশকসু লৌখি।

**অকাশবানিঃ** অকাশবানি ন্যুজনা ‘প্রকিতি কি বাট, অকাশবানি কে সাথ’ কৌবা থৌরম অমা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিট ১০ দা অকাশবানি গোলদা হৌরে। থৌরম অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং

ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-ভুপেন্দর য়াদবকা ৱারী শান্নখি।

থৌরম অসিদা ভারতনা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবা অমসুং মীসন লাইফকী মতাংদা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-পুদুচেরিগী নহাশিংবু ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি, দাটা সেন্টর অমসুং আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) গুম্বা লমশিংদা থবক ফংহন্নবগী খুদোংচাবা পীনবা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংলি ।

করাইকালদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শ্রী সাহনা হায়-য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুগী ঙা ফাবা মীওইশিংনা মখোয়গী পোৎথোক মালেমগী কৈথেলদা য়ৌহন্দুনা মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা সরকারনা থৌরাং কয়া পায়কৎলি।

**পোলো** ঃ মণিপুর হোর্স রাহদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিনবা অনিসুবা ডাঃ কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৬ ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা- এক্স পোলো ক্লব-ৱাংখৈনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালবু পাঞ্জল ৬-৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

**সাইকলঃ** স্পোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, এস.দি.সি. খুম্মন লম্পাকনা শিনদুনা হয়েং অয়ুক সন্দে ওন সাইকল হায়না মিংথোনবা সাইক্লিং ইভেন্ট অমা দি.এম. কলেজতগী হৌগনি।

**ক্রিকেট ঃ** ভুবনেশ্বরদা চথুরিবা সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মনিপুরনা নাগালেন্দবু রন-৭৬ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ১৩

শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন-থাংমৈবন্দনা ৱাই.এ.সি. য়াইস্কুলবু রন-১৮ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-চেম্প ক্রিকেট ক্লব-খাগেমপলিনা সাইক্লোন-থাংমৈবন্দবু ৱিকেট অমদা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরনা মোদেল-শিংজমৈ চিংঙামখাবু রন-৯০ দা, ত্রাউ-ক্বাকৈথেলনা এস.সি.সি.সি-শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু রন-৯৭ তা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** অনিশুবা য়াইরিপোক ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-য়াইরিপোক য়ুনাইটেদ এফ.সিনা সি.পি.সি. নিংথৌনাইবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-মাস্তর এফ.এ. য়াইরিপোক তোপনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. ৱাংখেমবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** তেন্থা হৈবুং ত্রাংক্যুলিতি ক্লব-তেন্থানা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি.ক্যু.সি. ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-হৈরোক পি.এসনা তেন্থা ব্রদরসপু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ফেসন কুইন থৌবালনা তেন্থা হুরিকেনবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।